# মণিপুরী ফিল্মগী মায়কৈ অমদি খোঙথাং - ৪



মমাঙদা মণিপুরী ফিল্ম অমদি হৌজিক ওইরিবা ফীভম কয়াশিংদা ৱাফম কয়া থমজখ্রে। মখা তানা ফিল্ম আর্ট হায়বসিনা মীওইবা ঐখোয়গী ৱাখল্লোন অসিগা নকশিন্নরিবা অমদি মসিনা লৌরিবা থৌদাংশিংগা লোয়ননা লিটরেচর হায়বসিগা ফিল্ম হায়বা অসিগা কয়ামুক মরী লৈনবগে হায়বা অসিগী মতাংদা ৱাফম খরগা অমুক থমজরি।

ফিল্ম অমদি লিটরেচর হায়বা অনী অসি থাদোক্লবা শুংয়া য়াদে। অমা হেক ৱাৎপদা ফজবা মপূম অমা ওইনা উবা ঙমদে। অনী অসি অসুক্কী মতিক মরী লৈনৈ। লিটরেচর য়াওদনা ফিল্ম অমা মপূং ফানা শেম্বা ঙমদে। ফিল্ম অমবু অয়েংবশিংদা পূক্লিং য়ৌনা ৱাখল থেংনা য়ৌহনবদা লিটরেরিগী থৌদাং অসি অসুক্কী মতিক চাওই। লিটরেচরগী মপান্না অফবা মপূং ফাবা ফিল্ম অমা শেম্বদা মরু ওইবা মচাক অমা ওইরি। ফিল্ম অমা উৎপগী পান্দমশিং অদু লিটরেচরগী মতেংনা মীয়ামদা পীবা ঙমগদৌরিবনি। খুন্নাই অমবু অফবা মায়কৈদা পুরক্লবা হোৎনবদা লিটরেচরনা লৌরিবা থৌদাং অদুমক ফিল্ম ওইনা শেম্বদা মদুগী মচাক ময়ামশিং অদু তাশিন খোমজিন্দুনা ফিল্মদুগী শিংলি-নাওরিদা হেক চঙখিবদা অয়েংবশিংগী ৱাখলদা ময়েক লানা উৎথোকপা ঙম্মী। লৈবাক খুন্নাইগী অপূনবগী মশক্তা কম্যুনেলিজম হায়বা অসিনা কয়া য়াম্না শোনখ্রবগে হায়বদু ফিল্মনা ময়েক লানা উৎলি। ফিল্ম অমগী পান্দমসু কম্যুনিএলিজমগী মকোক্তা লৈদুনা লৈবাক্কী অপূনবা শক্তম অমা শাগৎপনি। ফিল্মদা ঐখোয়না তোঙানবা রিলিজন, সেক্স, কাষ্ট, সোসল এন্দ ইকোনোমিক ষ্টেটস অসি পূন্না উৎলি মদু পূন্নমক অদু লিটরেচরনা কন্ট্রিব্যুট তৌরিবা ঙাক্তনি।

ফিল্ম অমা হায়বসি খুন্নাই অমগী হৌখ্রবা, ওইরিবা অনীমক্কী অশেংবা রিফ্লেক্সন অদুনি। খুন্নাই অসিনা ফিল্মদগী তমজনফম অমদি লমজিংনবগী চাওরবা ইথিল অমা পীদুনা লাক্লি। ফিল্মদা উৎলিবা খুদিংমক খুন্নাইগী ৱারীনি অমরোমদা ইরিবা অমদি পুথোক্লিবশিংগী ৱাখলদা শাগৎপা হায়নীংলিবা, ওইহন্নীংবা শক্তম অদুগী মমি পরেংশিংনি। মমিং লৈরবা একাদেমি ওফ মোসন পিকচর আর্টস এন্দ সাইন্সেসকী প্রসিদেন্ট তোম শেরাকনা হায় -*"Movies are a form of communication and that communication, those stories, come from societies – not just where society is presently and what it's doing now – but where society has been. It has been that way for as long as movies have been around".* ৱাফম অসিগা মরী লৈননা তুনা য়েংবদা সোসাইটি অদুদা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোকশিং, মীওইবগী নুংদা ফাওরিবা পুকচেল শেংদবগী অমদি অচাওরম কানবা মদুনা মীওইবা মশেলগী মরক্তা মশক্তি উদনা থম্মোয় থম্মোয়দা খাগৎলক্লিবা শম্বল কয়াশিং অসিনা ঙসিদি তংদু লৈতাবা ঙমদবা, নুংশিনদবগী মরী অমা শাগৎলক্লিবনি। মসি লিটরেচরগী কাঙলোনদা মচু মমেন তানা ইমোসন, সজেসন, সোল্যুসন হাপ্তুনা পুথোরক্লি। মদু অমুক ফিল্মনা লৌরগা ফিল্মগী ওইবা দিভাইসশিং শিজিন্নদুনা ফিল্ম মেদিয়মদা পুথোরক্লি। মসিদা ইন্টরটেনমেন্ট, কম্যুনিকেসন অমদি এদ্যুকেসনগী শরুক হাপ্তুনা আর্টকী এষ্ঠেটিক অমদা মীয়ামদা লাম্হোরকপদা মীয়াম্না তরাম্না ওক্লরিবনি। অদুনা ফিল্ম হায়বা অসিমক্তি ইন্টরটেনমেন্টকী য়াম্না মরু ওইবা মচাক মরল য়াম্না লৈ। মসিবু য়েংলুবা মতমদা ঐখোয়গী পূক্লিং ৱাখলসি অনৌবা অইবা অমদি পুথোক্লিবা দিরেক্টর অদুগী ক্রিএটিভ ৱর্ল্ড অদুদা চঙখি। মসিদা লায়রবা-ইনাক খুনবা, লাইরিক হৈবা হৈতবা হায়বা অমত্তা থিদনা চপ মান্ননা নুংঙাইহনবা ঙম্মী। অমরোমদা ফিল্ম হায়বসি টিম ৱর্কনি মসিদা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্ট ময়াম অমা লৈরি খুদম ওইনা হায়রবদা, লাইটিং, মেক-অপ, ম্যুজিক, দান্স, লিটরেচর, টেক্লিকেল হেন্দস, এদিটিং। হায়রিবা টিম ৱর্ক অসিনা অপূনবা ওইনা মীয়ামদা অনৌবা মেসেজ অমা পীরিবনি। ফিল্ম অমনা ঐখোয়না খনবা ঙম্বগী ৱাংমদা লৈবা কান্নরবা ৱাখল্লোন কয়া ইরায় লায়না পীবা ঙম্মী। লোয়ননা ফিল্মদগী ঐখোয়দা অনৌবা থৌনা, লৌশিং, মীনুংশি অমদি পুকচেল লেপ্পা কয়া তম্বসু ঙম্মী। ফিল্মনা মীয়ামদা কান্নবা পীবগী



মতিক নেগেটিভ ইম্পেক্ট অমসু পীরি হায়বসিসু ঐখোয়না কাউফদে। হৌজিক্কী মতমদা ফিল্মদা কা হেন্না ফিজিকেল তোর্চর তৌবা, ভাইওলেন্ট ওইবা থিম অমদি scene শিংনা নহা ওইরিবশিংগী পূক্লিংদা চংখিদুনা ফিল্মগী এক্ট অদু চাংয়েং তৌনীংলকপা য়াওদবা নত্তে।

ফিল্ম অমা হায়রগা মরম চাবা চাদবা থিদনা মীয়াম্বু হেক্তা নুংঙাইহন্নবনি হায়দুনা সেন্টিমেন্টেতা অমদি ইমোসনদা পংনম নম্লোইদবনি। ফিল্ম অমা হায়বসি নেসন অমগী সোসাইটি, মীয়াম অদুগী অফবা মায়কৈরোমদা লাক্লবা মীবু অফবা ৱাখল খলহন্নবা অমদি চাওখৎপগী মায়কৈদা পুরক্লবগী অচৌবা পাম্বৈ অমনি। আর্ট হায়বসিমক্তবু মীয়ামগীনি, অহিংবা খুন্নাই অদুগীনি, তুংলমচৎকীনি। অচুম্বা, অফবা, ফজবা হায়বা অসিদা য়ূম্ফম ওইরগা আর্ট হায়বসি তৌনরিবনি। মপানগী ফিল্মগী মরমদা থোইনা নৈনরুদনা ঐখোয়গী হৌজিক পুথোক্লরক্লিবা ফিল্মশিং অসিগী মশক্তা চাওরাক্লা য়েংবা মীৎয়েং অমদা য়েংবা তারবদি - মণিপুরী ফিল্মনা মীয়ামদা অনৌবা অফবা ৱাখল্লোন পীবা কয়া অমদি থেংনৈ। অদুমকপু ফিল্মগী মতিক ময়াই চেন্না মীয়ামদা এদ্যুকেসন পীবা ঙম্বদি মশীং য়াম্না লিক্লি হায়না লৌবা য়াই। অনৌবা ফিল্ম মেকর খরদি হীরম অশোমদা কন্না মায় ওনশিল্লি। অদুবু খরা অমদি মশা মশাগী অনীং অনীংবা মায়কৈদা পংতৌদা তৌনবা মানবসু উরি। হৌজিক মণিপুরী ফিল্মদা মপানগী মতৌ তম্বা নত্তেদি হায়রগা মতৌ তম্বা মানবা কয়া অমদি থোক্তবা নত্তে।

ফিল্ম অমগী মনুংদা নুংঙাইনবনি হায়দুনা, ফুনা চৈনবদা কা হেনজিনবা, ওইথোকপা য়াবা মওংদা নত্তবা মঙদ্রংদা শাগৎতুনা কিন্না অমুক থিনবদা মী পাইবা (সাউথ ফিল্মদা অমদি চাইনিজ ফিল্মদা তৌবগী মতৌগুম) উবা ফংলে। মসি নহাশিংগী মীৎ অমদি পূক্লিংদা হরাওনরবসু মদুনা ঐখোয়গী ফিল্মগী মশক অমা লেপ্পদি য়াগনি নীংদে। নাকল অমরোমদা ফিল্ম অদুদা য়াওরিবা মতৌ অদুগুম্না ৱাখল লেপত্রিবা নহাশিংনা চাংয়েং তৌনীংলকপা, গাড়ী বাইক (মোটোর সাইকল) মক্তা থৌরসু ফিল্মগী মতৌ তমদুনা য়াম্না খুদোং থীনীংঙাই ওইবা খূৎথৌ মণিপুরগী লম্বীদা থৌবা উরে, মসিদা মীশি মীনা অমদি অশোয় অঙাম কয়া অমসু থোক্লবা লৈখ্রবনি। হায়রিবসি ফিল্মনা হেক্তা থোকহনবনিদি হায়বা য়াদে, অদুবু ইথিল অদুদি নহাশিংদা ফিল্মনা পীবগুম থোকই হায়বসি থিজিনবশিংগী মায়কৈদগী থম্নরক্লি। ফিজেৎতসু অদুমঙাই, মেক-অপতসু অদুমঙাই, ঐখোয়গী লমদম অসিগী মীশিংগী লুক অসি মহৌশানা খরা তোঙাল্লি। অদুবু হৌজিক্তি মদুগী শক্তম অদু থাদোক্লগা কোইনা মায় পুময়োম য়োম্বা নহা কয়া অমা মণিপুরী ফিল্মদা উবা ফংলে। মসি মতৌ তম্বমক নৎত্রসু মানবা অমদি য়াওরি। মসিনা রিজনেল ফিল্মগী মশক অমা শাগৎপদা মতেং পীরিব্রা নৎত্রগা মীগী মওং মতৌদা ঐখোয় উংদুনা লৈরিব্রা হায়বা ৱাহং অসি থোরকই। রোমান্স মক্তা ওইরবসু লমদম অসিগী নুংশি নুংওনগী ফজবা মশক অমা মথায় থায়নদগী চৎনদুনা লাকই। নুংশিনরসু নুংশি হায়বা ঙমজদবা, থেংনরসু অতম্লনা হেক য়েংবা ঙম্নদবা, লুরাক্লনা য়েংবগী নুংশি মহাউ ময়ূম ময়ূম য়ৌরগা হেন্না ময়েক হাপকৎপা, ফজখ্রবা মশকশিং অদুদগী নাম্থোক্তুনা বোল্লিৱুদ অমদি সাউথ ফিল্মদা নুপা নুপী য়াম্না হকচিন্নন উৎপা মতৌ অদু মণিপুরী ফিল্মদা য়াম্না মরাং কায়না য়াওরকপা ঐখোয় থেংনরে। মদু চুমদে নৎত্রগা ফজদে হায়বা য়াদে, ফজদুনবু তৌরিবনি, মীয়াম্নসু য়ারিবনি। অদুবু লমদমসিগী চৎনরোলদগীদি খরা তৈনরে হায়বগী ৱানি। চীংয়াদা তময়াদা চেন চোংবা, লৈকোল মরক্তা হিপমিন্নবা, কোইমিন্নবা নুংশি নুংওনগী ৱারী মতৌ কয়ানা হৌরক্লিবা নহাশিংদা ওন্থোকপা ইথিল অমা পীরে হায়বসিবু হেনজিন্না হায়বা তারিব্রা? অদুগুম্বা কয়াশিং অদুগী ৱাখল ইথিলশিং অদুনা লৈতাদ্রিবা ইনখৎলকপা নহাশিংদা চাওরবা পূক্লিং ইথিল পীদুনা মতৌ তম্নরকপদগী পামদবা থৌওং কয়া তত্তনা থোরকপা ঐখোয়না উরি অমদি তাহৈদবা পাউ কয়া তারি। মসিসু ফিল্মননি হায়বদি য়াদে, অদুবু মদুগুম্বগী ইথিলদি পীখিব্রা হায়বগী চিংনবদি লৈতবা নত্তে। অদুনদি ফিল্ম অমা নম্বদা ঐখোয়না চেকশিনদবসি কয়াদা য়ামখ্রবনো? অদুনদি, ফিল্ম য়েংলিবশিংগী ঙাইহাক্কী ওইবা নুংঙাইবা ইথিল অমখক পীনবা মায়কৈদা ফিল্ম পুথোকপনা খুন্নাই অমদি মীয়ামদা তুংকোইনা করি করম্বা ইথিল অমা পীবা ঙমগদগে হায়বা ৱাখল্লোন অসি ফিল্ম পুথোকত্রিঙৈগী মমাঙদা য়াম্না চেকশিন্না য়েংশিনবা চঙই খল্লি।

...*মখা মথং নোংমাইজিংদা*

– *নানি*

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৮।১২।২০২২ ইং, নোংমাইজিং;
পোইনুগী ২৫নি পানবা।

মেষ: ইমুং-মনুং, মরুপ মপাং, নচাক-নরলগী লমদা চাওনা কান্নজগনি। অনম তান্নবা, নাইতোম ৱারেপ লৌবা, হন্থবা লোয়নবদি মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

বৃষ: শোক পনবা য়াবা অমদি মৈনা তাথি-ঈংথৌ। অনৌবা থবক থৌরমদসু মতম মাঙবনা হেনগনি। নচাক নরলগী লমদদি য়াম্না কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- অশাওবনা মাঙওইনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

মিথুন: অরাপ্পগী মীগা মতেং লৌনবা য়াগনি, অনৌবা খল্লুদবা কান্নবা ফংগনি। অখঙ অহেগী মতেং লৌদ্রদি হৈ-শিংনা থৌপাঙবা ঙম্লোই।
লৈশা পাখংশিংগী- মরৈ কনদবা ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কর্কট: থবক মফমদা চরক চহিং নাই। ঈরাং য়াম্না পুরদি মরুপ অমদি লন মাঙগনি। লান্দবা ঙম্লদি ময়েং তারোই, লাই-গুরুগী থৌজাল ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

সিংহ: মরুপ মপাংনা চানবী, থৌনা ফুদোকপনা থৌ পাঙবা হেনগনি। ঙাং-শকপা ফাথবা অমদি নোল্লুক্লা চৎচবনা পুক্লিং নুংঙাইতবা লৈরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- য়াকা য়েংনা ৱা ঙাংউ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

কন্যা: নীংজবা থুংগনি, শেল থুমগী লমদা কান্নগনি, অনৌবা ৱাখল পোক্কনি, থবক পাঙবগী মীনা থাগৎপিবা লৈগনি। য়েক্লবদি ময়েং তাদে।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্লিং পেঞ্জে।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

তুলা: মরুপ মপাং ময়েং তাগনি, হুরানবনা ইমুংদা য়েংথি, য়েক্লবনা পাঙ্গল্লি। লাই-গুরুগী ৱা তাউ য়াম্না ফগনি। থেংলপ্না নুংঙাইবা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ইশাগীতা খনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

বৃশ্চিক: নাপল থাদোক্লদি মাঙবা লৈরোই। মীয়াম্না চাল্লি, থবক পাঙগনি, পাইরক্কী লৌশিং চাওই, অরাপ্পদগী কান্নবা ফংজগনি, শেন্দোং লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

ধনু: অকিবা লৈতনা ওইজবা ফংনবা হোৎনবা য়াগনি-চাওনা নীংবা থুংগনি। পোরম য়াৎপা অমদি ৱা ঙাংবদি চেকশিল্লু-হৈত্রদি চোপকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক খরদি ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

মকর: চরাংনরগদি নুংশা থিবা অদুগা নীংথিনা শীল-লাঙলগা থৌ পাঙলগনা ঈকায়খুম্নবা ফংবা নুমিৎনি। য়েৎনবদা মাইথিগনি, অতনবনা মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হায়জবদি তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কুম্ভ: পাউ নুংঙাইবা তাজবা, নথক থোংবনা চানবীবা, মীরক চঙলগা নুংঙাইজবা নুমিৎনি। লন তানশিনবসু য়াগনি। য়েক্লবদি লৈ-লায়থোক্কনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিন: ঙসিসু নীংজবা থুংগনি। লল্লোন ইতিক্তা খুৎচাও থাবা য়াগনি, মীয়ামগী মতেং ফংগনি। নথক থোংবনসু হান্নগুম চানবী-মতম মাঙহনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## ভোইসেস নাউ ৱর্ল্ড পোইট্রি টুদে হায়না মিংথোনবা লাইরিক দেল্লীদা ফোঙখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস): কোলকাটাদা লৈবা ট্রিস টুপ বুক্স ইন্দিয়ানা ফোঙবা *ভোইসেস নাউ ৱর্ল্ড পোইট্রি টুদে* হায়না মিংথোনবা এন্থোলোজি ওফ ইংলিস পোইট্রিগী লাইরিক অমা ঙসি দেল্লীদা লৈবা রামজস কোলেজদা কোলেজ অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ জিওলোজিদা এসোসিয়েট প্রোফেসর ওইরিবা ডা. এম ওজিৎকুমার অমসুং দেল্লী য়ুনিভর্সিটিদা এম এ ইংলিস তম্লিবী এথেনা থিয়ামনা হৌনবী মতুংইন্না ফোঙখ্রে।

লাইরিক অসি ৱ্রজকুমার সোর্কর অমসুং বিনয় লাহানা এদিটর ওইরগা পুথোকপনি। মালেমগী মমিং লৈরবা অইবা ৮০গী শৈরেং য়াওরিবা লাইরিক অসিদা মণিপুরদগী রোবিন এস ঙাঙোম এথেনা থিয়ামগী শৈরেংশিংসু য়াওরি। ভোইসেস নাউ ৱর্ল্ড পোইট্রি হায়রিবা লাইরিক অসিদা য়াওরিবা মরুওইনা পনবা য়াবা লৈবাকশিংদি য়ু কে, য়ু এস এ, কনাদা, ওষ্ট্রেলিয়া, ন্যুজিলেন্দ, সাউথ আফ্রিকা, কুর্দিষ্টান, ইন্দিয়া শ্রিলঙ্কা, নেপাল, বাংলাদেশনচিংবনি। লৈবাকশিং অসিগী অইবশিংনা ইবা শৈরেংশিং অসিনা হৌজিক হৌজিক মালেমদা ওইরিবা ফীভম কয়াবু য়াম্না ফজনা ইদুনা ফোঙদোক্লি হায়নসু ঙসি লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ডা. ওজিৎকুমারনা ফোঙদোকখি।

মশাগী চহী ১৩ শুরকপা মতমদা দ ৱর্ল্ড এন্দ অদর পোইমস হায়না মিংথোনবা শৈরেং লাইরিক অমা ফোঙখ্রবা এথেনা থিয়ামনা ঙসি লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা মহাক্কী শৈরেংগী খোঙচৎ পাউদম্লবা মতুংদা লাইরিক অসিদা য়াওরিবা মহাক্কী শৈরেংশিংবু মীয়ামদা পাথোক্তুনা তাহনখি।

নীংশিংবা য়াবদি, লাইরিক অসিদা য়াওরিবা শৈরেং ৮০গী অইবশিংগী মনুংদা মহাক্লা খ্বাইদগী নহা ওইরিবী অইবী অমনি। ঙসি লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা কোলেজ অসিগী ওজাশিং অমদি মহৈরোয়শিংসু শরুক য়াখি। দেল্লীদা লৈরিবা য়ুনাইটেদ ককচিং ষ্টুদেন্টস এসোসিএসনগী মহৈরোয়শিংসু শরুক য়াবগা লোয়ননা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি।

## একর ৪দা থারম্বা পোপ্পী পাম্বীশিং য়াম্থৎখ্রে


ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস): কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা তুইলাং এরিয়াদা লৈঙাক্লা অথিংবা থমখ্রবা ময়াই কাবা চীঙ্গাক পোপ্পী পাম্বী নারোন্দা পাক চাউখ্রবা একর ৪ রোমদা পাক শন্না থারম্বদগী কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী এস দি পি ও গমনোম সপরমৈনা অমদি ও সী কাংপোকপীনচিংবা য়াওনা য়াম্থৎতুনা মাঙহনখ্রে হায়রি।

পুলিসতগী ফংবা পাউগী মতুংইন্না কাংপোকপী পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা তুইলাং এরিয়াদা পাক শন্না লম একর ৪দা পোপ্পী পাম্বী থারে হায়বা পাউ ফংবদগী কাংপোকপী পুলিস ষ্টেসনগী এস দি পি ও মশামক্লা লুচিংবা টিমনা চেক তৌরকপদা খঙনরকপনি হায়রি।


কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী তুইলাং এরিয়াদা লৈঙাক্লা অথিংবা থমখ্রবা পোপ্পী পাম্বী থারম্বা অদুবু য়াম্থৎতুনা মাঙহন-তাকহনবগী থৌরম অদুদা কাংপোকপী পুলিস ষ্টেসনগী পুলিস পর্সনেল কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।



Title : Goku
By : AK Yoihenba
Class : KG Roll No. : 7
School : Kids Activity Center, Wangkhei



Title : Scenery
By : Irengbam Belena Devi
Class : V Sec : E Roll No. : 22
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : Cute Anime Boy
By : Md. Shaad Fam
Class : V/E Roll No. : 08
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : Scenery
By : N. Riya Devi
Class : V Sec : E Roll : 30
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : Nupilal
By : Ningthoujam Monish Singh
Class : IV-A Roll No. : 3
School : Kendriya Vidyalaya No. 1 Lamphelpat



Title : Save the Environment
By : Roodchan Ningthoujam
Class : IV Roll No. : 5
School : Alpha and Omega



Title : Scenery
By : Sagarika Rajkumari
Class : KG Sec : B Roll : 21
School : Don Bosco Hr. Sec. School



Title : Flower
By : Taibanganbi
Class : III Sec : A Roll : 2
School : S.R. Hr. Sec. School



Title : Doll
By : Takhellambam Ranjita
Class : Nursery Sec : Lotus Roll No. : 2
School : SL Arena of Learning



Title : Nezuko
By : Thongbam Aga
Class : V Sec : D Roll No. : 4
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : A Women and Flower
By : Waikhom Dhaneshwori
Class : III Sec : B Roll No. : 28
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : Kakashi
By : Yohenba Kh.
Class : I Sec : Lotus Roll No. : 34
School : SL. Arena of Learning



Title : Humming Bird
By : Ningombam Gunadhor Singh
Class : III Roll No. : 3
School : Paradise English School



Title : Crane
By : Margaret Huirem
Class : VI Roll : 6
School : Paradise English School



Title : Scenery
By : L. Nungshiba Meitei
Class: II Roll No. : 16
School : Paradise English School



Title : Bird
By : Hidam Benison Meitei
Class : I Roll No. : 31
School : The Purnima Kid's Foundation

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।